# ঐচ আই ভি/এইদস অমসুং ওপিওইদ সবষ্টিট্যুসন থেরাপি (ও এস টি)

– ডা. সোরাম মনিকান্তা –
প্রসিদেন্ট, ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ
dr.smanikanta@gmail.com



মণিপুরগী নহাশিংনা হিরোইন (নম্বর ফোর) শীজিন্নবগী ঈহৌ অমা নাইন্টিন আইটিজগী ময়ায় চল্লকপা অদুৱাইদা লৈখি। মসিগী মায়োক্তা লৈকায়গী ক্লব, এন জি ও, মৈরা পায়বী অমসুং মণিপুর পুলিসকী মীওইশিং য়াওনা অকনবা ড্রাইভ কয়া চথবা হৌরকখি। মখোয়বু ফাজিন্দুনা থম্বা, ফূবা-চৈবা তৌবা, ফাদুনা পুলিসতা শীন্নবা কয়াগী শক্তম উবা ফংখি। এন জি ও খরনা হিরোইন (নম্বর ফোর) শীজিন্নবা মীওইশিংবু পুল্লপ পূনশিল্লগা লায়েংবগী থবক কয়াসু চথবা লৈখি। চুড়াচান্দপুরদা বেজ তৌবা এন জি ও অমদদি ড্রগ এদিক্টশিংবু মখোঙদা আইরন চ্যেন পুন্দুনা থল্লগা লায়েংবসু য়াওখি। মসিমক্তা হিরোইন শীজিন্নবগী ঈহৌ অদু লাকশিনবা ঙমখিব্রা হায়বদুদি নত্তে। মীয়াম্না মখোয়দা তুক্কচবা, হঙ্গোয়না ফৎত্রবা লাইচৎ অমগুম্না য়েংলিবা কয়া অদুদগী নাথৈনবা হোৎনরকই। অফংবা হিরোইন (নম্বর ফোর) খরনা মখোয়গী অপাম্বা অনীংবা থুংনবা পাম্বে থিবা হৌরকই। হিরোইন মৈখু ওইনা শীজিন্নবগী মহুত্তা শীংলিদা কাপ্পা হৌরকই। মণিপুরদা ফংলিবা হিরোইন পাওদর অসি অশেংবা ঈশিংদা তুম্বা মখলগী পোৎ ওইবনা ইঞ্জেক্সন ওইনা শীজিন্নবদা খুদোং চারম্মী। মরম অসিনা হিরোইন শীজিন্নবা মখোয় মশেল পুল্লপ পুল্লগা অফংবা সেরিঞ্জ/নীদল অমনা ইঞ্জেক্সন তৌবগী চৎনবী অমা লৈবা হৌখি। ওভরদোজদা মীওই কয়া অমসু লৈখিদ্রে। হায়জেনিক ওইবা ৱাৎপা, ইঞ্জেক্সনগী টেক্নিক খঙদবা মরম ময়াম অসিনা মখল মখা কয়াগী কমপ্লিকেসন থোকখি। ইনফেক্সন তৌবা, নাই চাবা, খোঙ-খূৎ পোমখৎপা, শীংলি থাগৎপা, থ্রোমবোফলেবাইটিস তৌবা কয়া লৈখি। খূৎতা, খোঙদা শীংলি থিবা ফংদবদগী খৌরিদা চেল্লিবা অচৌবা জগ্যুলর ভ্যেন নৎত্রগা লৈখাদা চেল্লিবা শীংলিশিংদা ইঞ্জেক্সন তৌবগী থৌওং কয়া চথরকই। মসিদি য়াম্না খুদোংথিনীংঙাই ওইবা শিবা-নাবা থোকপা য়াবা থৌওংশিংনি। মসুম্না injecting drug users (IDUs) হায়বদু ওইরকখি। মসিগী প্রেক্টিস অমা পাক শন্না মরু ওইনা হিরোইন শীজিন্নবা মীওইশিংদা উবা ফংখি।

ৱেষ্টর্ন কন্ট্রিস মরু ওইনা য়ু এস এদা ঐচ আই ভি ইনফেক্সন লাইচৎ অমা ওইনা শন্দোরকখি। চেকশিন থৌরাং ওইনা ইন্দিয়াদসু আই সী এম আরগী ইনিসিএটিভ মখাদা ভাইরস অসি লৈব্রা য়েংননবা Sero-surveillance 1988 তগী হৌখি। মণিপুরদসু রিমসকী মাইক্রো বাইওলোজি দিপার্টমেন্টতা সেরো-সর্ভিলেন্স সেন্টর অমা হাংদোকখি। মসিগী মখাদা IDUs খরদগী ব্লদ সেম্পল লৌদুনা টেষ্ট তৌবা হৌখি। অহানবা ওইনা ফেব্রুৱারী ১৯৯০দা ঐচ আই ভি কেস মণিপুরদা থেংনখি। মসিনা মরম ওইদুনা আই দি য়ুশিংগী মথক্তা লৈরিবা ষ্টিগমা অদু হেনগৎহনখি। দিসক্রিমিনেসনগী চাং ৱাংখৎলকখি। মসিনা অহোয়নদুম আই দি য়ুশিংগী মরক্তা নীদল/সেরিঞ্জ স্যের তৌমিন্নদুনা তূমিন-তূমিন ইঞ্জেক্সন তৌবা হেনগৎলকই। সেন্টিনেল সর্ভিলেন্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ১৯৯৪, ১৯৯৫, ১৯৯৬, ১৯৯৭তা আই দি য়ুশিংদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকখি অমসুং কিনীংঙাই ওইবা ফীভম অমা লাকখি। মসিনা জেনরেল পোপ্যুলেসন্দা শন্দোরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। মখোয়গা লোয়নরুবা নুপীশিং, মখোয়দগী লৌবা ঈ (ব্লদ) পূম্নমক খুদোংথিনীংঙাই ওইরকখি। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা আই দি য়ুশিং অসিনা নীদল/সিরিঞ্জ স্যের তৌবগী মহুত্তা মশা মশাগী সিরিঞ্জ শীজিন্নবা য়ানবা নীদল সিরিঞ্জ একচেঞ্জ প্রোগ্রাম (এন এস ঈ পি) পায়খৎনবা খন্নবা হৌখি।

প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা শীজিন্নরবা সিরিঞ্জ অমগা শীজিন্নদ্রিবা অনৌবা/অহনবা সিরিঞ্জ অমগা ওন্নবগী থৌরাং অমনি। মসিমকসু মায়কৈ কয়াদগী য়ানীংদবা উৎখি। ফোংনা লাউরকই - মসিনা আই দি য়ু মশীং হেনগৎহনগনি। ঐচ আই ভি ইনফেক্সন হেনগৎলক্লিবা অসি খরদা ওইরবসু শাফনবা ওরেল সবষ্টিট্যুসন থেরাপিগী মতাংদা খন্নবা কয়া লৈখি। হিরোইনগী মহুৎ শিনবা য়াবা অমা খন্নরকপা মতমদা Tab Tidigesic (Buprenorphine) নত্তনা অতোপ্পা অমা লৈখিদে। পাইলোট প্রোজেক্ট ওইনা চুড়াচান্দপুর অমসুং থৌবালদা অকক্লবা মীওই খরদা এ আই আই এম এস, ন্যু দেল্লীগী Psychiatry Deptt. গা খূৎশম্নরগা হিরোইন এদিক্টশিংবু লায়েংনবা প্রোজেক্ট অমা কুমজা ১৯৯৭তা পায়খৎপা হৌখি। কুকি-পাইতে ইথনিক ক্লাশ অদুনা মরম ওইদুনা চুড়াচান্দপুর তোল্লগা থৌবালদা প্রোজেক্ট অমা চথখি। থা তরুক্কী পাইলোট প্রোজেক্টনি। রেন্দম এপ্রোচ অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা সর্ভে তৌবা হৌখি। ইনক্লুজন ক্রাইটেরিয়া খরদা বেজ তৌরগা অকক্লবা ড্রগ এদিক্ট খরদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল, থৌবালদা লায়েংবা চথখি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি -

১) হিরোইন এদিক্টশিংবু Tidigesic (Buprenorphine) শীজিন্নদুনা লায়েংবা।
২) ওরেল সবষ্টিট্যুসন থেরাপিগী ওইথোকপা লৈব্রা য়েংশিনবা।
৩) ইঞ্জেক্সনগী চাং হন্থহনবা।
৪) হিরোইন নৎত্রগা ইলিসিট ড্রগ শীজিন্নবা হন্থহনবা।
৫) ওভরদোজ কেস মশীং হন্থহনবা অমসুং শিবা-নাবা থোকহন্দবা।
৬) এন্টি সোসল ওইবা থবক হুরান চিন্থি, পোৎ লাকপা মুনবা হন্থহনবা।
৭) ইমুং-মনুংদা থোকপা খৎন-চৈনবা ৱাথোক হন্থহনবা।
৮) থবক ইনখাংদা পূক্নিং চংদুনা য়ূমগী অমদি ময়ামগী থবক থৌরমদা শরুক য়াবা হেনগৎহনবা।

পাইলোট প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা রেক্কমেন্দ তৌখিবা dosage schedule দি 2mg খক্তনি। মতম অদুদা 0.2mg tablet নত্তনা অতৈ অতোপ্পা strength অমত্তা ফংবা লৈখিদে। পাইলোট প্রোজেক্ট অসিদগী খঙবা ঙমখিবদি রেক্কমেন্দ তৌরিবা নোংমগী 2mg buprenorphine অসিনা মপূং ফানা withdrawal symptom relief তৌবা ঙম্মী। অদুবু craving অমসুং euphoria গী symptom অদুদি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদে। মরম অসিনা ওরেল সবষ্টিট্যুসন থেরাপি ওইনা শীজিন্নবা মতমদদি হায়র দোজ দরকার ওইগনি।

নেসনল এইদস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম ৩শুবা ফেজ (এন এ সী পি-থ্রী) দদি Opioid subsitution Therapy (OST) programme অসি harm reduction and strategy অমা ওইনা চথবা হৌরকখি। ও এস টি প্রোগ্রামগী মখাদা এন জি ওশিংগী খূথাংদা Drop-in-Centre (DIC) কয়াদা Opioid Substitution Therapy (OST) গী খুদোংচাবা ফংহনখি। কুমজা ২০১০দগীদি ও এস টি সেন্টর কয়া দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং সী ঐচ সীশিংদা ও এস টিগী খুদোংচাবা ফংহনখি। ও এস টিগী প্রোগ্রাম অসিনা ঐচ আই ভি/এইদস স্প্রেদ তৌবা থিংবা ঙল্লক্লে। মীওই অমদা ও এস টি কয়াম কুইনা চথগদগে হায়বগী অকক্লবা মতম লৈতে। অদুবু মসি তাঙ্কক অহুম থোক্লা খায়দোকপা য়াই - Induction, Maintenance অমসুং Termination phase 1 IDU খুদিংমক ও এস টি প্রোগ্রাম য়াওবা য়াদে। মসিগী অখন্নবা ক্রাইটেরিয়া খরা লৈ। মণিপুরদা ও এস টি প্রোগ্রাম চথরক্লিবা অসি কুইরক্লে। থমজনীংবা ৱাফমদি ও এস টি প্রোগ্রাম অসিদা য়াওরিবা ক্লাইন্টশিং অসিগী মনুংদা কয়া য়াম্না মপূং ফানা লায়েংদুনা তোকখিবা লৈখ্রবগে। ক্লাইন্ট খুদিংমক মতম চানা এসেসমেন্ট তৌরিব্রা? ও এস টিগী পান্দম অসি ইঞ্জেক্সন তৌহন্দবা খক্তরা? মতাং অসিদা ড্রগ এদিক্টশিংগী নেচরেল হিষ্ট্রি নৈনবা য়াই। পুংকক চাওরকপা, মথোৎ কারকপা মতম অসি খঙনীংবা, য়েংনীংবা, মী অতৈনা তৌবা থবক অদু ঐখোয়সু তৌবা ঙম্মী উৎনীংবা মতমনি। অসিগুম্বা পুন্সিগী তাঙ্কক অসিদা ড্রগ শীজিন্নবা হৌরকই। অয়াম্বদি চাংয়েং তৌরুরবা মতুংদা হৈনদবদগী, ফেমিলি কিবদগী, লাইরিক লাইশু তম্বদা অকায়বা ওইরকপদগী অমদি মশাগী ওইবা ফিরেপ অমা লৌরকপদগী তোকখিবা ঙাক্তনি। খরা অমনা ড্রগ এদিক্ট ওইদুনা লৈহৌই। অসুম শীজিন্নরকপা অসিনা নুপী অঙাং লৈরবা মতমদা তোকখিবা, ড্রগ শীজিন্নবদগী হকচাং শোক্লক্তুনা লৈখিদবা (শিখিবা) কয়া অমা, মীওই খরনা মশাগী চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না ইমুং মনুং অমসুং খুন্নাইগী থবক থৌরম নাম্থোকপা য়ারক্তবা, মীয়াই চন্দবা মমান্নবা কয়াগী মমাঙদা ইকায়বা ফাওরকপা, মমা-মপা, নুপী-অঙাংদা, মরুপ-মপিজাশিংদা তৌখিবা, লংজ খিবা কয়া অদু খল্লুরগা থৱায় নুংঙাইতবা, পেন্দবা, নীংঙমদবা নৎত্রগা মতম কুইনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদুনা লৈবা অদু পাল্লক্তবা ময়াম অসিনা ড্রগ শীজিন্নবদগী তোক্লবগী ফিরেপ অমা লৌরকই। অসিগুম্না হোংলক্লিবা ৱাখল খঙদোকপা অমসুং অওনবা পুরক্লবা কাউন্সেল্লিং তৌবা মথৌ তাই। ড্রগ শীজিন্নবা লেপ্পবা থৌরাং তৌবীগদবনি। Opioid Maintenance Therapy তৌবদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংবুসু য়াওহনগদবনি। মপূং ফানা ড্রগ শীজিন্নবা লেপ্পবা শিনবীগদবনি। মশাগী মোটিভেসন লৈতবা, তোক্কে খন্দবা, সাইকোলোজিকেল সপোর্ট ৱাৎপা খুদম ওইনা মমা-মপা কায়নখ্রবা, থবক ইনখাং তৌদবা মীওইশিংগীদমক্তদি অখন্নবা লায়েংফম Therapeutic Community দা লৈহন্দুনা Behaviour Change Communication (BCC) চথদুনা সর্ভাইভেল স্কিল, ওক্যুপেসনেল স্কিল কয়া তম্বীবা য়াই। Therapeutic Community (TC) অমা লৈবগী তঙাইফদবা অদু চেফোঙ অসিদা হান্নলা থমজখ্রে।

হৌজিক লমদম অসিদা ৱার ওন ড্রগসকী অকনবা ঈহৌ অমা লাকপা হৌরে। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ইথনিক গ্রুপ খুদিংমক্লা পোপি পাম্বী থাবা থিংনবা ৱারেপ লৌমিন্নবা লৈখ্রে। লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সিশিংনা অকনবা ড্রাইভ কয়া চথদুনা ড্রগ শুংবা অমদি করবার তৌবা মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা ফাগৎলি। অসিদসু নত্তনা 'নশা মুক্ত ভারত' কী মখাদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া চথরি। স্কুল, কোলেজগী সিলেবসতা সবষ্টেন্স য়ুজ দিসওর্দরগী করিক্যুলম অমা য়াওহনবগী তঙাইফদবা কয়া খন্ন-নৈনবা লৈখ্রে। কম্যুনিতি লেভেলদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা মীওইশিং খঙদোক্তুনা লায়েংবগী খুদোংচাবা পীননবা ত্রিটমেন্ট ফেসিলিটি কয়া গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা ফংহনবগী মতম য়ৌরে। ড্রগকী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ অমা লাকপা মতম অসিদা এন এ সী পি (নেসনল এইদস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম) গী মখাদা চথরিবা ও এস টি প্রোগ্রাম অসিদসু মীৎয়েং অমা চংহন্নীংই। ও এস টি প্রোগ্রামদা য়াওরিবা ক্লাইন্ট খুদিংমক মখোয়না তোক্কে খনদ্রিবা ফাওবা অপাম্বা দোজদা চাজসনু হায়না লৈথোকপা য়াবা মতম ওইদ্রে। অসুম্না অসুম লৈবা তারবদি করিগুম্বা মতমদা মেন্টিনেন্স থেরাপি অসিনা খঙহৌদনা তোকখিবা তারবা নৎত্রগা কোভিদ-১৯ লাইচৎ মতম অসিদা মতম চানা সপোর্ট তৌবা ঙমদবা তারগদি মখোয়শিং অসি হান্নগী হেবিট অদুদা অমুক হঞ্জিনবা তাব্রা? পূম্নমকশিং অসি য়েংলুরগা প্রোপর এসেসমেন্ট, ইভাল্যুসন অমসুং মোনিটরিং তৌদুনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থাদোক্লবা লম্বী অমা শিনবীবা মতম ওইরে। Opioid Substitution Therapy হায়বসিদি মীওই অদুগী ড্রগ শীজিন্নবগী নেচরেল হিষ্ট্রি অদুদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা হোৎনবা পাম্বে অমনি। মখোয়না তোক্কে হায়বা ঙাইদনা ড্রগ শীজিন্নবা তোক্লিংনবা অমদি তোক্লবা পাম্বে/লম্বী অমা শিনবীবা ঐখোয়গী ইথৌদাংনি। হৌজিক্তি The Manipur State Policy on Psychotropic Substances, 2019 শেম্বা লৈখ্রে। ঐচ আই ভি/এইদস শন্দোকপা থিংবগা লোয়ননা ড্রগ ফ্রী খুন্নাই অমা লিংননবা ও এস টি সেন্টরদা থবক তৌরিবা মীওইশিং অমসুং কন্সর্ন ওথোরিটিদা থমজনীংবা ৱাফমদি ও এস টি প্রোগ্রাম অসি অমুক হন্না রিভিয়ু তৌবা মতম ওইরে। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ য়াঙৌ # ২৮৪

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

উপু কাংথোল চনবা অমদি য়ূম কৈ শাবদা য়াম্না পাম্না অমদি পাক শন্না শীজিন্নরিবা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুমক থোইদোক হেন্দোক্লা মরাং কায়না হৌরিবা য়াঙৌ হায়রিবা উজাও পাম্বী অসিদা থোইদোক হেন্দোক্লা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং য়াওই হায়বসি অয়াম্বা মীওইশিংনদি থোইনা খঙলুদে অমদি থিজিল্লুদে। তশেংবমক্তি য়াঙৌ পাম্বী অসিদা থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইনা হীদাক্কী মগুনশিং য়াওই অমসুং অরিবা অনা-লায়েংদা শীজিন্নে। য়াঙৌ পাম্বী অসি ইংলিসতা গুরজন ত্রী (Gurjan tree) নৎত্রগা গুরজুন ত্রী (Gurjun tree), হিন্দিদা গুরজন নৎত্রগা গুরজুন, বেঙ্গোলিদা টেলি-গুরজুন (Teli-gurjun), মালায়দা কেরুইং (Keruing), চাইনিজদা জি বু লুও জি য়াং (Jie bu luo xiang), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *দিপটেরোকার্পস তরবিনেটস (Dipterocarpus turbinatus C.F. Gaertn.)* নৎত্রগা *দিপটেরোকার্পস জোর্দানি (Dipterocarpus jourdanii Pierre)* নৎত্রগা *দিপটেরোকার্পস লেভীস (Dipterocurpus laevis Buch. Ham.)* নৎত্রগা *দিপটেরোকার্পস মায়াপিস (Dipterocarpus mayapis Blanco)* হায়না কৌই অমসুং *দিপটেরোকার্পেসী (Dipterocarpaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী অমা হায়রবদি খংগ্রা পাম্বী (দিপটেরোকার্পস ট্যুবর্কুলেটস - Dipterocarpus tuberculatus Roxb.) অসিনি।

য়াঙৌ হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১০০দগী ফুট ১৫০ ফাওবা ৱাংবা য়াম্না চাউবা চপ য়ুংনা হৌবা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনাশিং অদু সেন্টিমিটর ৮দগী ১৩ ফাওবা পাকই অদুগা সেন্টিমিটর ২০দগী ৩০ ফাওবা শাংই, লংত্রিক লংবা নৎত্রগা মতু চোমতক তৌবসু য়াই।



মার্চ অমসুং এপ্রিলগী মতমদা লৈ শাৎলগা জুন অমসুং জুলাইগী মতমদা অপিকপা মতু চোমতক তৌবা মহৈশিং পাল্লি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না য়াঙৌ পাম্বীগী হৌরকফম ওইবা মফমশিং অদুদি ইন্দিয়া, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, মলেসিয়া, বোরনিও, কম্বোদিয়া, লাওস, ভিয়েটনাম অসিনচিংবনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা য়াঙৌ পাম্বীগী হৌরকফম ওইবা অমসুং মরাং কায়না হৌবা মফমশিংদি মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, ত্রিপুরা, অন্দমান ঈথৎশিং অসিনি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না য়াঙৌ পাম্বী অসি য়াম্না পাক-শন্না ইন্দোনেসিয়া, চাইনা অমসুং ফিলিপিন্সতা থানৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়াঙৌ পাম্বী অসি য়াম্না মরাং কায়না হৌই।

য়াঙৌ পাম্বীগী উ অসি প্লাই ৱুদ (Ply wood) শাবদা য়াম্না পাক শন্না শীজিন্নে। উ অসি য়াম্না পাম্নবা শীং (Firewood) ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা মৈতাল লোকপসু য়াম্না খুদোং চাই। আই য়ু সী এন (IUCN) গী মতুংইন্না য়াঙৌ পাম্বী অসি য়াম্না অকি-অখং নংলবা (Critically endangered) ওইরবা পাম্বী ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে।

মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা ইষ্ট ইন্দিয়ান কোপাইবা বালসম (East Indian Copaiba Balsam) হায়না খঙনবা অদুগা ইনিদয়াগী মফমশিংদদি কানয়িন (Kanyin) নৎত্রগা গুর্জুন (Gurjun) ওইল হায়রিবা গম (Resin) অসি য়াঙৌ পাম্বীগী উদগী শেম্বনি। হায়রিবা থাও অসি মখল কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। দিপ্রেসন হায়না খঙনবা ৱাখল লায়নানা নারবা মীওইশিং অসি গুর্জুন থাও অসিনা হকচাংদা তৈরগা তপ্পা চাং নাইনা নোইবিবদা থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা থাও অসি ঈশিং অশাবদা ড্রোপ খরা থাদরগা মদুদা কারকপা মনিল অদুনা শ্বর হোনজিনহনবনা অমুক্তা হেন্না কান্নহল্লি। উনশাগী মখল কয়াগী লায়নাশিং মরু ওইনা বেক্টেরিয়া অমসুং কোকফাই শুজানা থোকহনবা অদুদা গুর্জুনগী থাও অসি চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবা য়াই। অপোম অতং তৌবগী মথক্তা তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবদা গুর্জুনগী থাও অদু মৈদা লুম্বু-লুম্বু শাহল্লগা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংবসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী চৎনরক্লি। য়াম্না পূক্নিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা পাউদম অমগী মতুংইন্না গুর্জুন থাও অসি কেন্সর মখল খরগী শেলশিং হাৎপা ঙম্মী হায়বসিনি। অশোক-অপন তৌবদা গুর্জুন থাও অসি তৈবদা অশোকপা অদু য়াম্না থুনা ফগৎহনবা ঙম্মী। খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা শীংলি-নাওরি থুপ্পদা গুর্জুন থাও অসি তৈরগা তপ্পা চাং নাইনা তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী অমসুং অরুম-লাইহৌ তৌবদসু হীদাক ওইনা শীজিন্নে। হুমাং কা হেন্না থোকপা অমসুং হকচাং মনম য়াম্না নমথীবদা গুর্জুন থাও অসি মৈদা লুম্বু-লুম্বু শাহল্লগা চাং নাইনা তৈবদা মনম অদু মাঙহনবা ঙম্মী।

গুর্জুন থাও অদুদগী শেম্বা হীদাক মখল অমা চাং নাইনা পীজবদা হক্কী ঈশিং লীক্তুনা ঈশিং য়াফম তৌবা অদু ফহনবা ঙম্বগী মথক্তা কিদনি অমসুং গোল্ড ব্লেদরদা নূং লৈবা অদু মচেৎ-মচেৎ কায়থহন্দুনা হক্কী ঈশিং চৎপদা পুথহনখিবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না গুর্জুন থাও অসি ব্লদ প্রেসর হন্থহনবা ঙম্বগী মথক্তা মীওইবগী হকচাংদা হু কাবা অদু লৌথোকপা ঙম্মী। লোয়ননা ঈদা য়াওবা কোলেসটেরোলগী চাংসু হন্থহনবা ঙম্মী। গুর্জুন থাও অসি মীওইবগী হকচাংগী মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্বা (Immune booster capacity) মরম্না চাং নাইনা শীজিন্নবদা মীওই অদু মখল-মখা কয়াগী লায়নাশিংদগীসু ঙাকথোকহনবা ঙম্মী। নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবা নুংঙাইতবদা গুর্জুন থাও অদু ঈশিং অশাবদা ড্রোপ খরা থাদরগা মদুদগী কারকপা মনিল অদু শ্বর শাংনা হোনজিনবদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী, লায়কোই থুংবদা গুর্জুন থাও অদু চাং নাইনা নোংমদা ২-৩ লক নুমিৎ ২০ রোম তৈবদা মপূং ফানা ফহনবা ঙমগনি। য়ারি-য়াখোং চীকপা অমদি য়া তোয়না নোম্বদা গুর্জুনগী থাও অদু লশিংদা লূপ্পগা অনাবা মফম অদুদা পুংখায়মুক থোমদুনা থল্লগা লায়েংবসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। কনাগুম্বনা য়াম্না তোয়না শম কেল্লবদি লুম্বু লুম্বু শাবা গুর্জুন থাও অদু চাং নাইনা নোংমদা অনীরক থা অমরোমদং শমখোংদা তৈবদা য়াম্না কান্নবা ফল ফংবা ঙমগনি। ●

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : YAIRIPOK**
**Ref :- Mut. Case No. 262 of 2021 Dated 7-4-2021**

Parties : 1) Maibam Meghachandra Singh S/o Late Tomba Singh of Yairipok Bishnunaha (2) Maibam Temba Singh S/o Late Tomba Singh of -do- (3) Maibam Babulu Singh S/o Late Tomba Singh of -do- (4) Maibam Prema Devi W/o Priyobarta Singh of -do- (5) Maibam Loyalakpa Singh S/o Late Tomba Singh of -do- *- Petitioners*

-Vrs-

Late Maibam Jamini Devi W/o Late Tomba Singh of Yairipok Bishnunaha.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Yairipok, the 7th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা য়াইরিপোক তহশিল খুন নং ১০২ বিষ্ণুনহা পাট্টা নং ৫১৪, ৫১৫ অরিবা, ৫১৬/১৭৫০ অনৌবা, দাগ নং ৯৯/৮৫২, এরিয়া ০.০৯৬৩০ হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মাইবম জামিনি দেবী পতি মৃ: তোম্বা সিংহ সাং য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবী অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং অসি ককথৎপীরগা পিটিস্নর নং ১, মাইবম মেঘচন্দ্র সিংহ পীতা মৃ: তোম্বা সিংহ সাং য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা অসিদনা দাগকী নোংপোক্তা এরিয়া ০.০০৬৭৬ হেক্টর, নং ২দনা দাগকী ময়ায়দা এরিয়া ০.০০৭২৭ হেক্টর, পিটিস্নর নং ৩দনা দাগকী ময়ায়দা এরিয়া ০.০০৭৮০ হেক্টর, পিটিস্নর নং ৪দনা দাগকী ময়ায়দা এরিয়া ০.০০৮১২ অমসুং পিটিস্নর নং ৫দনা দাগকী নোংচুপ্তা এরিয়া ০.০৬৫৫৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসি পিটিস্নরশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাস্ত অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই, কেস মখা চথরগনি।

HL-P/9158/10 *Sd/-* Sub-Deputy Collector, Yairipok

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, IX, LAMPHELPAT**
**Ref :- Mut. Case No. 79/AS&SO/IX/2021 Dt. 8/4/21**

Ist parties - 1. Md. Abdul Kalam S/o (L) Abdul Manab Mia of Haoreibi Turel Ahanbi (2) Amina Khatun D/o (L) Abdul Manab of -do- (3) Shajahan S/o (L) of -do- (4) M.V. Rahimuddin S/o (L) of -do-

-Vrs-

2nd parties - 1) Late Abdul Manab Mia S/o Ali Mia of Haoreibi Turel Ahanbi (2) Md. Nasir Khan S/o Abdur Rahaman of Lilong Haoreibi Leihaokhong.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
9/4/2021

অসিনা মরম ওইদুনা খঙহঞ্জরি মদুদি Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খুল নং ১৫- হাওরৈবী অরিবা পাট্টা নং ১৪৫, অনৌবা পাট্টা নং ৭৪, দাগ নং ৩৫১৯গী এরিয়া ০.৪৫ একর চাওবা ইঙ্খোলদগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। মৃত ওইখ্রবা অসিগী স্যের মনুংদগী দাগকী নোংপোক থংবা ০.৩১ একর লম মখৈ মীং পানবীয়ু হায়দুনা পিটিস্নরশিংনা AS&SO IX court তা এপ্লিকেসন থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা উক্ত কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। মসিগী তুংদা লাকপা আপতি লৌরোই, আইনগী মতুংইন্না থবক মখা চথগনি।

*Sd/-* Assistant Survey & Settlement Officer-IX, Lamphelpat
HL-P/9490/10

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**
**Ref :- Mut. Case No. 93 of 2021**

Khaidem Puinachandra Singh S/o (L) Kh. Raghumani Singh of Lilong Chajing Konjeng Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Khaidem Raghumani Singh S/o (L) Kh. Gandhar Singh of Lilong Chajing Konjung Leikai. - O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Lilong Chajing the 7th April, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুন নং ৭০-চজিংগী মনুং চন্না লৈবা পাট্টা নং ২৫৯ (অনৌবা), ৫৪৪ (অরিবা), দাগ নং ৪০৮, এরিয়া ০.৬৮ একর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিদা পাল্লিবা পাট্টাদার খাইদেম রঘুমনি সিংহ অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা পিটিস্নরনা মহাক্কী ফংফম থোকপা শরুকনি নামা ওনবীরো/পানবীরো হায়দুনা এস দি সী/লিলোং চজিং, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্ট অসিদা দরখাস্ত থাররে। মরম অসিনা হায়রিবা ফৌরেল লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা কনাগুম্বীনা য়েৎনীংবা অমদি আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবদগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা এস দি সী/লিলোং চজিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপা লাক্তবদি আইনগী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি অমসুং নামা ওনখ্রগগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Lilong Chajing Imphal West**
HL-P/9488/10

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III**
**Ref :- Mut. Case No. 16/AS&SO,(III) A/2021**

Yumnam Shyam Meitei S/o (L) Ibohal Meitei of Moreh Ward No. 7 Turel Wangma Leikai. *- Petitioner*

-Vrs-

Late Yumnam Ibohal Singh S/o (L) Tomba Meitei of Moreh Ward No. 7 Turel Wangma. *...O.P.*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
9/4/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং ৯৫- মোরেগী পাট্টা অরিবা ..., অনৌবা পাট্টা নং ১০৮৭, দাগ নং ২৬৪, এরিয়া ০.১১৮৭ চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নর মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনবীয়ু হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাস্ত থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

*Sd/-* Assistant Survey & Settlement Officer-III
HL-P/9489/10

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING**
**Ref :- Mutation Case No. 283/AS & SO VIII/K 3/4/2021**

1. Kshetrimayum Ibochou Singh S/o Tomchou Singh of Kakching Makha Leikai.
2. -do- Nabakumar Singh S/o -do- of -do-

-Vs-

Yengkhom Ningol Kshetrimayum Ongbi Amurei Devi W/o Tomchou Singh of Kakching Khullen.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dt. 08/04/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা তহশিল খুন নং ৫৯-ককচীং খুল্লেন পাট্টা নং ৫১৪ (অরিবা) ৬৬৫ (অনৌবা) দাগ নং ১৭৪৮ এরিয়া ৩.০০ (একর) ইঙ্খোল/ ফৌরেল/ লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার য়েংখোম নিংঙোল ক্ষেত্রিময়ুম ওংবী অমুরৈ দেবী পতি তোমচৌ সিংহ সাং ককচীং খুল্লেন অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাস্ত অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল/ ফৌরেল/ অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

HL-P/9159/10 *Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching